# চাইনিজ মিলিটরি ড্রিলশিংনা অকিবা চাউনা পোকহল্লে হায়না টাইৱাননা চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে

টাইপৈ, ডিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :
চাইনিজ মিলিটরি ড্রিলশিং তোয়শিল্লকপনা টাইৱানগী সিক্যুরিটিদা অকিবা চাউনা পোকহল্লে হায়না টাইপৈনা ঙসি চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে। টাইৱান ষ্ট্রেটতা টেন্সন হেনগৎলকপগী ফিভমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা চহীগী ওইবা ডিফেন্স রিভিয়ু অমদা টাইপৈনা চেকশিন ৱারোলসি ফোঙদোকখিবনি।

চাইনানা টাইৱানবু তঙাইফদ্রবদি মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নদুনা তাঞ্জা অমদা অমুক হন্না লৌশিনফম থোকপা চাইনিজ টেরিটরিগী শরুক অমনি হায়না লৌরি। কুমজা ১৯৪৯ দা শোক্লখিবা সিভিল ৱার অমদা নাকল অনী খায়দোক্লখিবনি। টাইৱান অসি মশানা লৈঙাকচবা ডিমোক্রেসি অমা ওইজরবসু ঈথৎ অসিনা অমুক্তা হৌনবী মতুং ইন্না নীংতম্বা লাউথোকখিদ্রি।

নাকল অনীমকপু চাইনা অমখক্কী শরুকনি হায়বদা য়ানিংদবা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইংৱেননা হৌখিবা চহীদা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী বৈজিংনা ঈথৎ অদুগী অকোইবদা মিলিটরি ড্রিলশিং হেনগৎহনখি।

চহী অসিদা চাইনিজ ৱারপ্লেনশিংনা টাইৱানগী অকোইবদা য়ামদ্রবদা মিলিটরি ড্রিল ২০ পাঙথোকখ্রে হায়না লোকল মীদিয়ানা পানরি। হৌখিবা ২০১৬ তদি অসিগুম্বা ড্রিল নিপানদমক পাঙথোকখি হায়রি।

খ্বাইদগী নৌবা ড্রিল অদু হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখি। মদুদা জেট ফাইটরশিং য়াওনা চাইনিজ প্লেন কয়া টাইৱানগী খারোমদা লৈবা বাসি চেন্নেল ফাওরগা পেসিফিক রোমদা পাইরুরগা অমুক হল্লকখি।

অসিগুম্বা ড্রিলশিং তোয়না পাঙথোকপনা টাইৱান ষ্ট্রেটকী সিক্যুরিটিদা অকিবা কা হেন্না পোকহল্লে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রিলিজ তৌখিবা ১৪ শুবা নেস্নেল ডিফেন্স রিপোর্টতা টাইৱানগী ডিফেন্স মিনিষ্টর ফেং সিহ-কুৱাননা ফোঙদোকখি। রিপোর্ট অদুনা নাকল অনীগী ফোর্সশিং লম্বা চানদবগী ফিভম হাইলাইট তৌরদুনা হায়খি মদুদি চাইনিজ মিলিটরিনা খোঙজেল থুনা চাউথোরকপগী ফিভমদুদা টাইৱানগী মিলিটরিনা 'মল্টিপল ডিটরেন্স ষ্ট্রেটিজি' অমা পুথোকপগী তঙাইফদ্ববা লাক্লে।

রিপোর্ট অদুনা টাইৱান আর্মিগী অপূনবা ট্রুপ ২১০,০০০ রোমদমক লৈবদা চাইনিজ ট্রুপশিংগী মশিং মিলিয়ন অনীনি হায়না চাওরাক্লা পাখি।

টাইৱাননা চাইনাগী ডিফেন্স বজেট অমসুং মিলিটরি ডিভলপমেন্টশিংগা চাংদম্নবা ঙল্লোই হায়না ফেংনা রিপোর্ট অদুদা হায়খি।

ফিভম অসিদা টাইৱাননা চাইনিজ মিলিটরিনা হেঞ্জিল্লক্তনবা ষ্ট্রেটিজিক রিভিয়ু অমগী মতুং ইন্না এসিম্মিট্রিক ৱারফ্যের অমা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

চাইনাগী ইলেক্ট্রোনিক ৱারফ্যের কেপবিলিটিজ হেনগৎলকপগী পাউখুম ওইনা টাইৱাননা চহী অসিদা মশাগী সাইবর আর্মি কম্মান্দ সেন্টর অমা লিংখি। হৌজিক কম্মান্দ সেন্টর অদুদা মীওই ১০০০ রোম লৈ হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়রি।



# চাইনা, পাকিস্টান, অফঘানিষ্টাননা টেররিজম থেংননবা ৱারেপ লৌমিন্নখ্রে

ইস্লামাবাদ, ডিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :
চাইনা, পাকিস্টান অমসুং অফঘানিষ্টাননা ঙসি লৈবাক, গ্রুপ নৎত্রগা ইন্দিভিজ্যুঅল অমত্তনা মখোয়গী টেরিটরিশিংবু টেররিজমগী থবকশিংদা শীজিন্নহন্দনবা ৱারেপ লৌখ্রে। বৈজিংদা মখোয়গী অহানবা ট্রাইলেটেরেল ডাইলোগ মনুংদা লৈবাক অহুমগী ফোরন মিনিষ্টরশিংনা ডিভলপমেন্ট, সিক্যুরিটি অমসুং কাউন্টর-টেররিজমগী মতাংদা খন্নবদা য়ানবদু পুরকখিবনি।

মীফমদু লোইরবা মতুংদা পাকিস্টানগী ফোরন ওফিসনা পায়বা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, নাকল অহুম্না টেররিজম থেংননবা অমুক হন্না অচেৎপা ৱারেপ লৌখি। মসি হৌখিবা জুনদা লৈবাক অহুমনা ট্রাইলেটেরেল ডাইলোগকী মেকানিজম অমা লিংখৎপগী ৱাফম য়ানখিবদগী অসিগুম্বা মখলগী অহানবা মীফমনি।

বৈজিংদা পাঙথোক্লিবা অহানবা চাইনা-অফঘানিষ্টান-পাকিস্টানগী ফোরন মিনিষ্টরশিংগী ডাইলোগ অদুদা থৌবু ওইরিবা চাইনিজ ফোরন ৱাং য়ি, মহাক্কী অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিস্টানগী লেংমান্নবশিং মথংশিংনা সালাহউদ্দিন রাধবানি অমসুং খ্বাজা মুহম্মদ অসিফনা শরুক য়াখি।

মখোয়না লৈবাক অমত্তবু নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা ইন্দিভিজ্যুঅল অমত্তবু অতোপ্পা লৈবাক অমত্তগী মায়োক্তা মখোয়গী টেরিটরিশিংবু টেররিষ্টকী থবক থৌওংশিং চত্থবদা শীজিন্নহন্দনবা অচেৎপা ৱারেপ লৌখি হায়না জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

মখোয়না টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমসুং ইন্দিভিজ্যুঅল খূদিংমকপু খেন্নবা থমদনা থেংনবদা কাউন্টর-টেররিজমগী কোওর্দিনেসন অমসুং কোওপরেসন চেৎশিনহনবগী ৱাফম য়ানখি।



# ফিলিপিন্সতগী শিংখিবা টাইফুন টেমব্লিন ভিয়েটনাম য়ৌখিদ্রে

হানোই, ডিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :
ফিলিপিন্সতা মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখিবা মতিক-ময়ায় লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা ঙসি মপাঙ্গল হন্থরক্তুনা ভিয়েটনাম য়ৌনা শিংচিনবা ঙমখিদ্রে। ফিলিপিন্সতা মীওই ১৬০ হেন্না শিহনখিবা টাইফুন টেমব্লিন থুংলবা য়াবগী ফিভমগীদমক শেম-শাবা ওইনা ভিয়েটনামগী মেকোং দেল্টাদা লৈবা মীওই লীশিং চা কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি।

ৱেদর ফোরকাষ্টরশিংনা দেল্টা অদুগী খা থংবা চিদাইবু টেমব্লিনগী লম্বী ওইবা য়াই হায়না পানখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবগী অহিংদগী লমদম অদুদা অকনবা নুংশিৎশিং লাকপা য়াই অমসুং নোং কন্না চুবা য়াই হায়না লাউথোকখি। মফমদু অসিগুম্বা কা হেনবা ৱেদরগী ফিভম মায়োক্লনবগী মতিক চাবা ফেসিলিটিশিংসু লৈতে হায়রি।

লৈবাকপোকপগী অয়ুক্তা নোংলৈ নুংশিৎ অদু মতিক-ময়ায় হন্থরক্তুনা ট্রোপিকেল ডিপ্রেসন অমা ওইরকখি। ফোরকাষ্টরশিংগী মতুং ইন্না মদু ভিয়েটনাম য়ৌনা শিংলরোই। নোংলৈ নুংশিৎ অদু লৈবাকপোকপগী অথেংবদা গল্ফ ওফ থাইলেন্দদা মখা তানা মতিক-ময়ায় মাঙখ্রগনি হায়রি।

হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা টেমব্লিননা ফিলিপিন্সতা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬৪ শিহনখি অমসুং অতৈ ১৭১ না থিবা খঙহনখিদে হায়না গভর্নমেন্টকী মরুওইবা ডিজাষ্টর রেস্পোন্স এজেন্সিগী রোমিনা মরাসিগননা ফোঙদোকখি।

তোঙান তোঙানবা প্রোভিন্সশিংগী ওফিসলশিংনা পীবা অহানবগী রিপোর্টশিংনা অপূনবা অশিবশিংগী মশিং ২৩০ দগী হেনবা য়াই হায়না পীখি তৌইগুম্বসুং মরাসিগননা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎচিল্লকখ্রবা মতুংদা লাক্লিবা চমন্নবা, মথোং-মরম খঙদবা ফিভম মরক্তা মশিং অনী থোক্লা থিবগী মওং লাকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা পীখি অমসুং মশিংশিংদু ভেরিফাইদ তৌবা য়াই হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফিলিপিন্সকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা ইভাক্যুএসন সেন্টর ২৬১ দা মীওই ৯৭,০০০ হেন্না চঙজফম লৌদুনা লৈখি অমসুং অতোপ্পা মীওই ৮৫,০০০ রোমসু ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা তোঙান-তোঙানবা অতৈ মফমশিংদা লৈনখি হায়না নেসনল ডিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন এন্দ মেনেজমেন্ট কাউন্সিলনা ফোঙদোকখি।

খ্বাইদগী ফিভম থীনা শোকখিবা এরিয়াশিংদি লানাও দেল নোর্টে অমসুং লানাও দেল সুর প্রোভিন্সশিং অমসুং জম্বোঙ্গা পেনিন্সুলানি। টেমব্লিননা ফিলিপিন্সতা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ অমা ওইনা থুংলখি তৌইগুম্বসুং মদু মতিক-ময়ায় কনখৎলক্তুনা টাইফুন অমা ওল্লকখি। মদুগী তুংদা নোংলৈ নুংশিৎ অসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ভিয়েটনামগী মায়কৈদা সাউথ চাইনা সী পাংখি।

টমব্লিন শিৎচিল্লকখিবগা লোয়ননা ফিলিপিন্সকী ওফিসলশিংনা খুদোংথীবা থোক্লকপা য়াবা এরিয়াশিংগী খুঞ্জাশিংদা য়াম্না থুনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা খঙহনখি অমসুং গভর্নমেন্টনা মীশি-মীনা পাক-শন্না থোকখিবগী মরমশিং থিজিল্লি হায়না মরাসিগননা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না খৃষ্টমাসকী হেক মমাঙদা মীশিংনা মখোয়গী ময়ূম-ময়ূমদগী থোকপা ঙম্নখিদে।

খৃষ্টমাস কুম্মৈ নকশিল্লকপনা ঐখোয়না মীশিংবু খুদক্তা ময়ূম থাদোকহনবা ঙমখিদে, তৌইগুম্বসুং তঙাইফদনা হোংদোকহনবগী মরম ওথোরিটিশিংনা মখোয়দা খঙহনগদবনি হায়না মরাসিগননা মনিলাদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

# পেদ্রো পব্লোনা হান্নগী প্রসিদেন্ট ফুজিমোরি ঙাকপীবদগী ঈরাং থোক্লে

লিমা, ডিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :
মীওইবগী হকশিং খোঙ্গাওনখিবগা মরী লৈননা চহী ২৫ গী জেল টর্ম অমা পাঙথোক্লিবা মশা নাদুনা লৈরবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অলবার্টো ফুজিমোরিবু ঙাকপীখিবদা য়ানিংদবা উৎলদুনা ঙরাং পেরুভিয়ন লীশিং কয়ানা লিমাগী লম্বীশিংদা রেলি চৎখ্রে।

হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট পেদ্রো পব্লো কুকজিনস্কিনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফুজিমোরি অমসুং অতৈ প্রিজনর তরেৎতু মীওইবগী মীনুংশিদা য়েংলগা ঙাকপীনবা ওর্দর তৌখিবনি। খোঙথাং অসিনা মহাকপু অমুক হন্না পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা মায়োক্লহনখি। শুপ্পগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মহাক ইমপিচমেন্ট চত্থরমগদবদগী নান্থোকখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্রোটেষ্টরশিংনা কুকজিনস্কিবু ওফিস থাদোক্লবা ডিমান্দ তৌখি।

কুমজা ২০১৬ কী মীখলগী কেম্পেনদা হান্নগী প্রসিদেন্ট ফুজিমোরি থাদোক্লোই হায়না ৱাশকখিবা প্রসিদেন্ট অসিবু মফম থাদোক্লবা ডিমান্দ তৌরদুনা খোইরাং-খোইশাওনরবা প্রোটেষ্টরশিংনা 'পি পি কে আউট, আউট!' হায়না লাউখি।

'মীহাৎপা, হূরানবা, ফুজিমোরি ঙাকপীবা য়ারোই' হায়না প্রোটেষ্টরশিংনা পায়বা সাইনশিংগী মনুংদগী অমদা ইখি। মখোয় খরনা পেরুগী অচৌবা ফ্রিাল অমসু পুখি।



ফুজিমোরিগী তমথীরবা লৈঙাক্কী ভিক্টিমশিংগী মরী-মতাশিংদুগী প্রোটেষ্ট খোঙচৎতুদা শরুক য়াখি।

'মসিগী লোনা য়ারোইদবা ঙাকপীবগী খোঙথাং অসিবু রিজেক্ট তৌনবা ঐখোয় ডেমোনষ্ট্রেসন অসিদা য়াওরিবনি। মরমদি তৌখিবা ক্রাইমশিংদুগা খোঙথাং অসিগা চুনদে হায়না ভিক্টিমশিংগী মরী-মতাশিংগী গ্রুপ অমগী মীহুৎ ওইরিবা গিসেলা ওর্টিজনা পাউমীশিংদা হায়খি।

এন্টি-রাইওট পুলিসকী অকনবা ফোর্স অমা লিমাগী লম্বীশিংদা প্রোটেষ্টরশিংগা লোয়ননা চৎখি অমসুং মখোয়দু ফুজিমোরিবু হোস্পিটালাইজ তৌরিবা ক্লিনিকতুদা চৎপা থিংখি।

প্রসিদেন্ট কুকজিনস্কিনা হায়খি মদুদি, ফুজিমোরি হৌজিক ফহনবা ঙন্নরোইদবা অমসুং লেপ্তুনা হেঞ্জিল্লক্লিবা লায়না অমনা নারে লোয়ননা জেলগী কন্দিসনশিংদুনা মহাক্কী পুন্সিদা খুদোংচাদবা চাউনা থোকহল্লে হায়বা মেদিকেল ইভাল্যুএসন অমদা য়ূম্ফম ওইরগা মহাকপু ঙাকপীনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

তৌইগুম্বসুং খোঙথাং অদু ফুজিমোরিগী মচানুপা কেঞ্জিনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা কুকজিনস্কিবু করপসনগী মরালদা ইমপিচ তৌবা হৌনখিবদা পার্লিয়ামেন্টতা ভোট মরাং কায়না চিংবা ঙমখিবদগী লাকখিবনি। অদুনা ঙাকপীবগী খোঙথাংদু ইমপিচমেন্ট লেপহন্নবগীদমক্তনি হায়বগী চিংনবা লৈখি।

# সাউদি কোলিসনগী এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা ৩২ শিরে

সানা, ডিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :
ঙরাং সাউদিনা লূচিংবা অরাব কোলিসননা য়েমেনগী কেপিটেলগী মনাক অমসুং অল-হুদাইদাহ অমসুং দামর প্রোভিন্সশিংদা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চত্থখিবদা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২ শিখ্রে।

কেপিটেল সানাগী মনাক্তা লৈবা অসের টাউনদা মীওই ২১ শিখি হায়না উহৌবশিংনা ইফে ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে। বোমশিং অদুনা টাউন অদুগী ইজিপসিয়ন সেমিত্রিগী মনিংদা লৈবা মীওই মাপন, লম্বী চৎপা মীওই অনী শিখি হায়না উহৌবশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌথি রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা অল মসিরা টেলিভিজনগী পাউনা হায়খি, ৱেষ্টর্ন প্রোভিন্স অল-হুদাইয়াহগী টাউন অমা ওইরিবা অল-জেরাহিদা বস অমদা টার্গেট তৌদুনা চত্থখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অনীদা মীওই মাপন শিখি।

এটেক অদু রেবেলশিংগা মফম তারবা সাউদিনা শৌগৎপা প্রসিদেন্ট অবদ রাবুহ সুর হাদিবু শৌগৎপা ফোর্সশিংগা লান্থেংনরিবা হাইস এরিয়াগী মনাক্তা চত্থখিবনি। রেবেলশিংগী মখূৎতা লৈবা সাবা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি মদুদি অল-হুদাইদাহগী ফার্ম অমদা বোমশিং তাশিনবদগী অতৈ মীচম নিপানসু শিখ্রে।

দামার প্রোভিন্সকী কষ্টমস হেদক্বার্টর্সতা চত্থখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা মীওই মরি শিখ্রে অমসুং অতৈ ৫৫ না শোক্লে হায়না সাবানা ফোঙদোকখি।

# বৃটিশ সিপনা রসিয়ন ভেসেল অমা শেন্নখ্রে



লন্দন, ডিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :
খৃষ্টমাসকী মতমদা য়ু কেগী টেরিটরিএল ঈশিংদা লাল্লকখিবা রসিয়ন ভেসেল অমা বৃটিশ সিপ অমনা শেন্নখ্রে হায়না বৃটেনগী ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না, হোলিদেগী মতমসিদা বৃটেনগী মনাক্তা রসিয়ন নেভল এক্টিভিটি হেনগৎলকখি।

নোর্থ সী ফাওরকখিবা রসিয়াগী অনৌবা ৱারসিপ এদমিরেল গোর্সকোভপু খোঙ্গুল লীনবগীদমক্তা বৃটিশ ফ্রীগেট ঐচ এম এস সেন্ট অলবান্স হৌখিবা ডিসেম্বর ২৩ দা খোঙশানখি। রোয়েল নেভিগী ভেসেল অদুনা খৃষ্টমাসকী মতমদা রসিয়ন সিপ অদুবু মোনিটর তৌখি। বৃটিশ ভেসেল অদু লৈবাকপোকপগী অথেংবদা পোর্টমাউথতা হল্লক্তুনা দোক তৌগনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা য়ু কেগী ডিফেন্স মিনিষ্টর গাভিন ৱিলিয়মসনগী ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি মহাক্লা বৃটেনগী ঈশিংগী শরুকশিং ঙাক-শেনবদা নীংহন্নরোই নৎত্রগা অকন-অরিং শিংলকপগী মওং অমত্তা লেম্না থারোই।

বৃটেন অমসুং রসিয়াগী মরী হৌখিবা মতম খরসিদা শোকচিল্লকখি অমসুং য়ু কেগী ফোরন মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা হৌখিবা চয়োলদা রসিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈ মনুংদা হায়খি মদুদি, মোস্কোনা মপানগী (অতৈ লৈবাকশিংগী) মীখলশিংদা খূৎ থিংজিনখিবগী ইভিদেন্স মতিক চানা লৈ। অমরোমদা মহাক্কী রসিয়ন লেংমান্নবা সর্গি লভরোভনা জোন্সনগী ক্লেম অদুগী প্রুফ লৈতে হায়খি।

জোন্সননা রসিয়াগা লৈনবা মরী মহৌশাগী ফিভমদা লাকহনবা পামই হায়খি, অমরোমদা মোস্কোনা লৈবাক অনীগী মরী ফৎলক্তবগা মরী লৈননা লন্দনদা মরাল থংজিনখি।

বৃটেনগী ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, খৃষ্টমাসকী নোংমা মাঙওইন্নবা অতোপ্পা সিপ ঐচএম এস টাইনবুসু নোর্থসী অমসুং ইংলিস চেন্নেল ফাওরগা ইন্টলিজেন্স খোল্লিবা রসিয়ন সিপ অমা শেন্নহনখি। তুংদা অতৈ রসিয়ন ভেসেল অনী মোনিটর তৌনবা হেলিকোপ্টর অমা থাখি।

# জেরুসালেমগী খোঙথাংগী মতাংদা বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা গ্বাটামালাগী প্রসিদেন্টপু থাগৎখ্রে

জেরুসালেম, ডিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :
জেরুসালেমদা এম্বেসি হোং-জিনবগীদমক্তা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা গ্বাটামালাগী প্রসিদেন্টপু 'শেন্বীবা মপুনা নহাকপু থৌজানবীসনু' হায়রদুনা থাগৎখ্রে। অমরোমদা পলিষ্টিনিয়নশিংনদি সেন্ট্রেল অমেরিকান লৈবাক্তু 'পুৱারীগী অরানবা মায়কৈদা লৈখ্রে' হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ওফিসল ফেসবুক পোষ্ট অমদা গ্বাটামালান প্রসিদেন্ট জিম্মি মোরালিজনা নেটনয়াহুগা ৱারী শানরবা মতুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদা লেপ্লদুনা টেল অভিভতগী মহাক্কী লৈবাক্কী এম্বেসি হোংদোক্লবা মহাক্লা ৱারেপ লৌরে হায়খি।

ডিকেদ কয়া চৎনরকপা য়ু এসকী পোলিসি হোংদোক্লদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা ডিসেম্বর ৬ তা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা শকখঙখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা লৈবাক ১২৮ না চৎনবদি য়ারোইদবা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিগী রিজোল্যুসন অমা শৌগৎলদুনা দোনাল্ড ট্রম্পতা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা শকখঙবগী ৱারেপ অদু হন্দোক্লবা তকশিনখি।

নেটনয়াহুনা পার্লিয়ামেন্টতা লৈরিবা মহাক্কী লিকুদ পার্টি ফেক্সনগী চয়োলগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা 'শেন্বীবা মপুনা ঐহাক্কী মরুপ, প্রসিদেন্ট জিম্মি মোরালিজবু থৌজানবীসনু, শেন্বীবা মপুনা ইজরেল অমসুং গ্বাটামালা লৈবাক অনীমকসু থৌজানবীসনু হায়খি।

গ্বাটামালা অমসুং য়ূম্লোন্নবা হোন্দুরাস অসি য়ু এনগী রিজোল্যুসনগী মায়োক্তা ভোট পীখিবা ইজরেল অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মতুং ইন্দুনা জেরুসালেমদা মখোয়গী এম্বেসিশিং হোংজিন্নবা ৱারেপ লৌখিবা লৈবাক খরখক্কী মনুং চনবা লৈবাক অনীনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অসি গ্বাটামালা অমসুং হোন্দুরাসতা মতেং পীদুনা লাকখিবা মরু ওইবা লৈবাক অমনি অমসুং য়ু এনগী রিজোল্যুসনদুবু শৌগৎপা লৈবাকশিংদা পীবা শেলগী মতেংশিং ককথৎকনি হায়না ট্রম্পনা কিহনখিবনি।

জেরুসালেমগী ষ্টেটস অসি ইজরেলি-পলিষ্টিনিয়ন পীছ দীলদা খ্বাইদগী চাউবা খুৱৌশিংগী মনুংদা অমনি। পলিষ্টিনিয়নশিংনা ইষ্ট জেরুসালেমবু মখোয়না ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং গজা ষ্ট্রিপতা শেম্বা পাম্লিবা মখোয়গী ষ্টেটকী কেপিটেল ওইহন্নিংলি।

মুস্লিম, জ্যুৱিশ অমসুং খৃষ্টিয়ন লাইনিং লম্বী অহুম্মক্কী শেংলবা মফমশিং লৈরিবা সিটি অপূম্বদুদা ইজরেলি সোভরন্টি লৈ হায়না ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা লৌদে।

মোরালিজনা ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনদুনা মহাক্কী লৈবাকপু পুৱারীগী অরানবা মায়কৈদা চিংশিল্লে হায়না ওফিসল পলিষ্টিনিয়ন ন্যুজ এজেন্সি ৱাফানা ফোরন মিনিষ্টর রিয়াদ অল-মালিকিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

# 'নোর্থ কোরিয়ানা সেটলাইট ১ থাগৎনবা শেম-শারি'

*সিওল, ডিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :*
*নোর্থ কোরিয়ানা সেটলাইট অমা থাগৎনবা শেম-শারি হায়না সিওলদা বেজ ওইবা পাউচে অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। ন্যুক্লিয়র খূৎলায় লৈরবা রেজিম অদুগী স্পেস প্রোগ্রাম অদু খূৎলায় চাংয়েংশিং লোৎপা য়ানবা পায়খৎপা ওইরম্বসু য়াই হায়না মপানগী ওবজর্ভর কয়ানা চেকশিনৱা ফোঙদোক্লিঙৈদা পিয়োংয়াংনা সেটলাইটতু থাগৎনবা শেম-শারক্লিবনি হায়রি।*

*পিয়োংয়াং অসি মসিগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিংগা মরী লৈননা য়ু এনগী অথিংবা কয়া থম্বগা লোয়ননা সেটলাইটশিং য়াওনা বলিষ্টিক মিসাইল টেক্নোলোজি শীজিন্নবা লোঞ্চ খূদিংমক থিংলিবনি।*

*নোর্থ কোরিয়ানা ক্বাংমিওসোং-৫ কৌবা অনৌবা সেটলাইট অমা থাগৎনবা শেম-শাবা লোইখ্রে হায়বসি ঐখোয়না তোঙান তোঙানবা চেন্নেলশিংগী খুত্থাংদগী খঙলে হায়না জুঙাং ইলবোনা সাউথ কোরিয়ন গভর্নমেন্টকী ছোর্স অমা পল্লদুনা হায়খি।*

*মখোয়গী থৌরাংদি কেমেরাশিং অমসুং টেলিকম্যুনিকেসন ডিভাইসশিং হাপ্পা সেটলাইট অমা ওর্বিটতা থম্বনি হায়না ছোর্স অদুনা ফোঙদোকখি।*

*পিয়োংয়াংনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২০১৬ তা মখোয়গী ক্বাংমিওসোং-৪ সেটলাইট থাগৎখি। মদু মালেমগী লৈবাক অয়াম্বা বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং অমগী অরোনবা চাংয়েংনি হায়না মোত পীনখি।*

*সাউথ কোরিয়ন মিলিটরিগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি, মতাং অসিদা চম্না খন্নিঙাই অমত্তা লৈতে, তৌইগুম্বসুং সিওলনা সেটলাইট থাগৎপা শারগা অশানবা মিসাইল অমা চাংয়েং তৌবগী ফিভম য়াওনা কাইহৌবগী থৌওং খূদিংমক কুপ্পা য়েংশিল্লি।*

*রিপোর্ট অসি নোর্থ কোরিয়াগী রুলিং পার্টিগী পাউচে রোদোং সিনমুননা রেজিম অদুগী সেটলাইটশিং থাগৎপগী অমসুং স্পেস টেক্নোলোজি ডিভলপ তৌবগী রাইট লৈ হায়না নৌহৌননা ফোঙদোকখিবগা চান্ননা লাক্লিবনি।*

*'পীছফুল স্পেস প্রোগ্রামশিং পায়খৎপা হায়বসি সোভরন লৈবাকশিংগী লোনা য়াবা রাইটশিংনি হায়না মিংথোনবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোংখিবা কম্মেন্টরি অমদা পাউচে অদুনা হায়খি, পিয়োংয়াংগী সেটলাইট লোঞ্চশিং অসি স্পেস ডিভলপমেন্টকা মরী লৈনবা মালেমগী লোশিংগা চপ চানৈ।*


OFFICE OF THE
SANGAI SECURITY SERVICE
Singjamei near Super Market Complex
Imphal west, Manipur 795008
Regd.No.:3584 of 2016

| SL. No. | Name Of Post | No. of Post | Salary | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Driver | 08 | 6000 | VIII Passed |
| 2. | Security Guard | 45 | 5500 | VIII Passed |
| 3. | Arm Guard | 04 | 7500 | VIII Passed |
| 4. | Housekeeping | 08 | 5000 | VIII Passed |
| 5. | Agent | 09 | Negotiable | VIII Passed |
| 6. | Security Guard (Outside) | 12 | 14,500 | X Passed |

➢ Last Date of form submission :- 06th January
➢ Date of Interview :- 08th January
Please Contact :- 7005463199, 9856732249
Office Hour's :- 09:30a.m to 04:30p.m
HL-P/3076/27

SALE! SALE! SALE!
"BUMPER DISCOUNT SALE" OFF:-
☞ 1. HALF & FULL JACKETS
(SIZE 0 TO 34 & GENTS 36 & 38 ONLY)
☞ 2. HALF & FULL JERSEY GENTS MIX
VARIETY M & L SIZE ONLY
Available at a THROW - AWAY PRICE NOW :-
Flat ₹ 600 / pcs. 2 pcs. For ₹1000/ = only
Offer valid for 15 Days or till Stock Last
VENUE :-
BRIGHTWAYS (1st Floor)
Opp. Punjab & Sind Bank
Dharamshala Road, Imphal -1
HL-B/4254/2 Dec.-1Jan.(Alt.)

ওজা কবিরাজ অব্দুল হকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

মতম শাংনা পাইলসনা নৈহৎতুনা অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। লায়নাগী লাইওংশিংদি : মরক মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, চেকখায়রগা থুপ্পা, চিকপা শাবা, শৌজগী অকোয়বদা ফুরি মকুপ-মকুপ লৈবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রিবা ফাওবা চঙদবা, শোকপা মতমদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বদা লিকপা, মপুং ফাবা ঙমদবা, খ্বাঙ নাবা, গ্যেষ্ট্রিক্লা চাবা তুমদবা, চানিংবা পোক্তবনি। অদুবু **ওজা কবিরাজ অব্দুল হক** মোবাইল নম্বর **8014623756** ৱাঙ্গৈাই ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, অৱাং (পাঙল লৈরক) দা লৈবগী মফমদা চৎতুনা তানজরুবদগী হিদাক চাদুনা শুপ্পগী নুমিৎ ১৫ (তরামঙানি) দা অনাবা, অৱাবা পুম্নমক কোক্লে। অনাবা লৈতবগুম তৌরে। ওজা **অব্দুল হক**-পু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*থাগৎচরিবা :* Th. Noren Meitei
Wangkhei Kosam Leikai
HL-P/4831/27

Between 9:30 am to 3:00 pm — Contact us at: 9612194500
1st STATE LEVEL
HSLC PREPARATORY EXAM 2017-18
FOR CLASS X (CBSE & BOSEM)
ORGANISED BY : EDUCITY
Sagolband Tera Tongbram Leikai Near Oriental College, Imphal - 795004

1. All the position will be awarded separately for CBSE&BOSEM
   1st Position - ₹15,000 + Certificate
   2nd Position - ₹12,000 + Certificate
   3rd Position - ₹ 9,000 + Certificate
   4th to 20th Position - ₹ 1,000 + Certificate
2. Subject Toppers (4 Subject Separately)
   ₹ 1000 each + Certificate (CBSE 4 + BOSEM 4)

MARKS

| | F.M. | P.M. |
|---|---|---|
| Math | 40 | 20 |
| English | 20 | 10 |
| Science | 20 | 10 |
| S.Science | 20 | 10 |

Submission Fee ₹400/-
Last Date of Submission : 15th Jan. 2018
Class X (CBSE & BOSEM)
Subjects : Math, Eng, Sc, S.Sc.
Date of Exam: 21st Jan. 2018 (Sunday)
Timing : 9:00 to 11:00 a.m. (CBSE)
12:00 am to 2:00 pm (BOSEM)

*Form Available at :* 1. L.K. Book Store (Lamlong Bazar) 2. Romee Book Store (Moirang Bzr.) 3. I.K. Book Store (Bishnupur Bzr.) 4. Bina Agency (Ningthoukhong Bzr.) 5. Leima Book Store (Nambol Bzr.) 6. Siroy Paper Marth (Kwakeithel Bzr.) 7. Siroy Paper Mart (Singjamei Bzr.) 8. Universal Book Store (Lilong Bzr.) 9. Shilla Books Stationery (Thoubal Bzr.) 10. Sharma Book Store (Yairipok Bzr.) 11. K.B. Stationery (Wangjing Bzr.) 12. K.G. & Sons (Kakching Bzr.) 13. Baby Book Store (Mayang Imphal) 14. Taurus Stationery (RIMS Gate) 15. Leirik Book Store (Khumbong Bzr.) 16. Compact Service (Khuyathong Bzr.)
WE PROVIDE SHORT STAY HOME FOR FAR AWAY STUDENTS WHO WANTS TO PARTICIPATE IN THE COMPETITION
HL-P/3068/17Dec-17Jan.